ইন্দিয়াদা লাইনিং লাইশোনগী মতাংদা নীংতম্বা লৈত্রে হায়বা য়ু এস সি আই আর এফ কী রিপোর্ট য়ুম্ফম য়াওদবা প্রোপেগন্দানি ঃ এম ই এ

RANDHIR JAISWAL

ন্যু দেল্লি, মে ৩ (এজেন্সি) : য়ুনাইটেদ ষ্টেটস কম্মিসন ওন ইন্টরনেসনেল রিলিজিয়স ফ্রিদম (য়ু এস সি আই আর এফ) না ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা ইন্দিয়াদা লাইনিং লাইশোনগী মতাংদা নীংতম্বা লৈত্রে হায়খিবদু মীচং মীখায় নাইবা অমদি য়ুম্ফম য়াওদবা ৰাফমদা বেজ তৌবা প্রোপেগেন্দানি হায়না লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরস (এম ই এ) না ফোঙদোকখ্রে।

এম ই এ গী স্পোক্সপার্সন রন্ধির জাইসৱালনা হায়, য়ু এস সি আই আর এফনা ফোঙলকখিবা রিপোর্টতা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লৈবাক অসিদা লাইনিং লাইশোন খেন্নবা কাংলুপ কয়াগী মান্নদবা রিলিজিয়স প্রেক্টিস পুথোক্তুনা দিসক্রিমিনেটোরি পোলিসি নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনরে হায়বদু মীচং মীখায় নাইবা অমদি চাউথ্রবা লৈবাক অসিগী ফজথ্রবা দেমোক্রেটিক ইথোজ মশক খঙদবা ৰাফম কয়াদা বেজ তৌরগা ফোঙলকখিবনি।

য়ু এস সি আই আর এফ হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসি হান্নদগী হৌনা ইন্দিয়াগী মথক্তা মখোয়গী ওইবা পোলিটিকেল এজেন্দা অমগা লোয়নননা কান্নবা তান্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। ওর্গনাইজেসন অসিদগী ফজখ্রবা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লৈরিবা কাংলুপ কয়াগী খেন্নবনা উৎলিবা দেমোক্রেসিগী মশক মমুৎ তানা খঙবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু থল্লুদে হায়খি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু এস সি আই আর এফ না ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অদুদা হৌখিবা চহীদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা থোকখিবা কাংলুপকী ওইবা ইরাং কয়া ফাজিনবা ঙমখিদে হায়না মরাল শিখি। কাংলুপকী ইরাং থোকখি হায়রিবশিং অদুগী মনুংদা মাইনোরিটি ওইরিবা মুস্লিম, খৃষ্টিয়ান, সিখ, দলিট, জ্যু অমদি অদিবাসি কাংলুপকী ৰাফম পল্লি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হৌখিবা চহী ২০২৩ দা ইন্দিয়াদা লাইনিং লাইশোনগী মরমদা নীংতম্বা ফংবা ঙমলক্ত্রে হায়বগা লোয়নননা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীচং মীখায় নায়বা পোলিটিক্স শান্নদুনা অপিকপা কাঙলুপকী মীওই কয়াদা য়ু এ পি এ, এফ সি আর এ অমদি সি এ এ নচিংবা এক্ত কয়া নম্ফুদা চৎনহন্নবা হোৎনৈ। লোয়নননা লাইনিং লাইশোন ওন্নবগী অমদি ষন হাৎপগী মায়োক্তা হিন্দু নত্তবা কাংলুপ মচা কয়াগী মীওই ফাজিবীখি হায়নসু পল্লি।

য়ু এস সি আই আর এফকী রিপোর্ট অদুদা লৈবাক অসিগী অপিকপা মীদিয়া অমদি এন জি ও কয়ানা লাইনিং লাইশোন খেন্নবা কাংলুপ মচাগী রিপোর্টিং তৌরুরবদি এফ সি আর এগী রেগুলেসন মতুং ইন্না মোনিটরিং তৌবীখি। মসিগী খুদম হায়ববু ২০২৩ গী ফেব্রুৱারী থাদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা সেন্তর ফোর পোলিসি রিছার্স হায়রিবা ইথনিক মাইনোরিটি অমদি সোস্যল ইস্যু কয়াগী মতাংদা রিপোর্ট তৌরিবা এন জি ও অসিগী এফ সি আর এ লাইসেন্স ককথৎপীখি।

কুমজা ২০০২ গী গুজরাট রাইওটতা থোকখিবা এন্টি মুস্লিম ভাইওলেন্সকী মতাংদা রিপোর্ট তৌরুবা জর্নেলিষ্ট তিস্তা সেটলবাদকী ওফিস অমদি ময়ুমদা রেইদ তৌবীখি হায়না পল্লি।

বার এসোসিয়েসনদা নুপীগী রিজার্ভেসন চাদা ৩৩ লৈহল্লগনি

ন্যু দেল্লি, মে ৩ (এজেন্সি) : সুপ্রিম কোর্ট (এস সি) না থাদোরকখিবা দিরেক্টিভ অমগী মতুং ইন্না সুপ্রিম কোর্ট বার এসোসিয়েসন (এস সি বি এ) ফোর ৰিমেনগী ইগজিক্যুটিভ কম্মিটিদা চাদা ৩৩ হায়বদি লৈরিবা পোষ্টশিং অদুগী শরুক অহুম থোকপগী অমা নুপীগীদমক রিজার্ভ তৌদুনা থল্লগনি হায়রকখ্রে। এস সি গী খোঙথাং অসি জষ্টিস সুরিয়া কান্ত অমদি কে ভি বিশ্বানাথন অনীগী বেঞ্চনা লৌখিবনি।

খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী দিসিজন মেকিং বোডি ওইরিবা এস সি বি এ দা নুপা নুপী খেন্নবগী গেব অদু পীকশিলহল্লক্তুনা নুপীশিংবু অৰাংবা থাক্তা পুখৎপগা লোয়নননা মখোয়গী রিপ্রজেন্টেসন হেনগৎহনবা ঙল্লগনি হায়রি।

খোঙথাং অসিনা লাক্লিবা এস সি বি এ গী ২০২৪-২০২৫ টার্মগী ইলেক্সন অসিদা ইগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী ত্রেজরর পোজিসন অসি নুপীগীদমক রিজার্ভ তৌদুনা থমগদৌরি হায়রি।

পি এম মোদিনা মুস্লিমগী রিজার্ভেসন লৌথোক্কনি হায়খ্রবসু টি দি পিগী চিফনা চাদা ৪ রিজার্ভেসন থমখিগনি হায়রি

গুন্তুর, মে ৩ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোক সভা মীখলগী রেল্লি কয়াদা মুস্লিম কাংলুপকী রিজার্ভেসন থল্লরোই হায়না লাউখ্রবসু বি জে পিগা খুৎশম্নুনা চৎলিবা অন্ধ্র প্রদেশকী তেলুগু দেসাম পার্টি (টি দি পি) গী নেসনেল প্রসিদেন্ট এন চন্দ্রবাবু নাইদুনা মুস্লিম কাংলুপকীদমক চাদা ৪ রিজার্ভেসন থমদুনা লাকখিবা অসি অদুম্মক লৈখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নাইদুগী ৰাফম অসি অন্ধ্র প্রদেশকী গুন্তুর কন্সটিট্যুএন্সিদা পাঙথোকপা ইলেক্সন রেল্লি অমদা ফোঙদোকখিবনি। হৌজিক হৌজিক অন্ধ্র প্রদেশতা টি দি পিনা লুচিংদুনা বি জে পিগা ত্রাইপার্টাইট এলাইন্স শেল্লগা লৈরিঙৈদা বি জে পিনা ফোঙদোকখিবা ৰাফমগী মায়োক্তা নাইদুনা ঙসি রিজার্ভেসন লৈহনখিগনি হায়রকখিবা অসি অঙকপা অমা ওইনা থোক্লখ্রে হায়রি।

রিজার্ভেসনগী ইস্যু অসি লৈবাক অসিদা অচৌবা টোপিক অমা ওইনা পোল্লিকেল পার্টি খুদিংমক্না লোক সভা মীখল অসিদা পুথোক্তুনা ঙাঙনরি। পি এম মোদিনা তেলঙ্গনাদা পাঙথোকপা ইলেক্সন রেল্লি অমদা মহাক্না হিংলিবা মখৈ মুস্লিম কাংলুপ্তা রিজার্ভেসন ফংহল্লরোই। মুস্লিম কাংলুপ্তা চাদা ৪ রিজার্ভেসন কোটা পীরম্বদু সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব অমদি বেকৱার্ক কম্যুনিটিশিংদা ওইনা ফংহল্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

পি এম মোদিনা ফোঙদোকখিবা ৰাফম অসিগী মায়োক্তা নাইদুনা অন্ধ্র প্রদেশতা টি দি পিনা লৈঙাক পায়বা ঙল্লক্লবদি মুস্লিম কাংলুপ্তা চাদা ৪ রিজার্ভেসন ফংহল্লিবা অসি অদুম্মক মখা চত্থখিগনি হায়খিবনি।

টি দি পিগী লুচিংবা চন্দ্রবাবু নাইদু মহাক্কী পার্টিগা বি জে পিগা এলাইন্স শেল্লবা মতুংদা অন্ধ্র প্রদেশতা লৈরিবা মুস্লিম কাংলুপকী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পায়ৎতুনা লাকখি। ঙসিসু মহাক্না অন্ধ্র প্রদেশকী মুস্লিম কম্যুনিটিগীদমক লেপ্লি হায়খি।

নাইদুগী ৰাফম অসিনা টি দি পিগী লুচিংবা কয়াগী মরক্তা বি জে পিদগী করি করম্বা পাউখুম লাক্কদগে হায়বগী মীপাইবা পোক্লরে হায়রি।

‘এস সিনা ইলেক্টোরেল বোন্দস ককথৎখ্রবা মতুং নাসিক প্রিন্টিং প্রেসনা বোন্দস প্রিন্ট তৌখি’

ন্যু দেল্লি, মে ৩ (এজেন্সি) : সুপ্রিম কোর্টনা ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিম অসি অন কন্সটিট্যুসনেল ওই হায়দুনা ককথৎখ্রবা মতুংদা নাসিক ইন্দিয়া সিক্যুরিটি প্রেস হায়রিবা বোদি অসিনা লুপা ক্রোর অমরোমগী ইলেক্টোরেল বোন্দস প্রিন্ট তৌখি হায়না এদভোকেট অসিম সরোদেনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা নমখিবা বোন্দস অদু হন্দোক্লবা বোদি অসিদা নোটিশ থাখ্রে হায়রি।

অসিমনা হায়, সুপ্রিম কোর্টনা ইলেক্টোরেল বোন্স অসি অন-কন্সটিট্যুসনেল ওইরে হায়না হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৫ দা লাউথোকখ্রবা মতুং নাসিক সিক্যুরিটি প্রেসনা ফেব্রুৱারী ১৫ দগী ২১ ফাওবগী মনুংদা লুপা ক্রোর অমরোমগী ইলেক্টোরেল বোন্দস প্রিন্ট তৌদুনা মার্কেটতা সার্কুলেট তৌখি।

সুপ্রিম কোর্টকী ভর্দিক অদু পীদ্রিঙৈদসু প্রিন্টিং প্রেসনা লুপা ক্রোর লিশীং ১০ রোমগী ইলেক্টোরেল বোন্স হাথু-হাথু প্রিন্ট তৌখি। বোন্দসশিং অসি ওপন মার্কেটতা ফংহনখ্রবসু নাসিক সিক্যুরিটি প্রেসনা অমুক হন্না ইলেক্টোরেল বোন্দসশিং অদু লৌশিনগদবনি হায়খি।

নাসিক সিক্যুরিটি প্রেসনা বোন্দস প্রিন্ট তৌখি হায়বসি আর টি আই এপ্লিকেসন থারবা মতুংদা খঙলকখিবনি। অদুবু মখোয়না প্রিন্ট তৌখিবা বোন্দসশিং অসি করম্বা পোলিটিকেল পার্টিদা পীখিবনো হায়বগী ইনফোর্মেসনদি পীথোরকখিদে হায়রি।

ফসাইনা লৈবাক অসিদা স্পাইস মিক্স শারিবা কম্পনিশিংদা ইন্সপেক্সন অমসুং টেষ্টিংগী থবক চত্থনবা ওর্দর তৌখ্রে

EVEREST
Garam Masala
MDH
Shahi Paneer
masala
Net Weight : 100g

ন্যু দেল্লি, মে ৩ (এজেন্সি) : লৈবাক অসিদা চীঙাক কয়াগী সেফটি য়েংশিল্লিবা ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দার্দ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (ফসাই) না লৈবাক অসিদা লৈবা স্পাইস মিক্স শারিবা কম্পনি খুদিংমক্তা ইন্সপেক্টসন অমদি টেষ্টিং তৌনবা ওর্দর থোকখ্রে হায়রি।

ফসাইগী ওর্দর অসি গ্লোবেল রিগুলেটরশিংনা ইন্দিয়ানা শাবা স্পাইস মিক্স ব্রান্দ অনীদা কন্টামিনেসন য়াওরে হায়বগী ৰাফম ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা থোক্লকখিবনি।

ইন্দিয়াদা শাবা স্পাইস মিক্স ৩ হৌখিবা থাদা হোংকোংগী ওথোরিটিশিংনা কন্টামিনেসন য়াওরে হায়দুনা সস্পেন্দ তৌখি। স্পাইস মিক্স ৩ অদু এম দি ঐচ অমসুং এভরেজনা শাবনি। সিঙ্গাপুরনসু চপ মান্নবা এভরেজনা শাবা স্পাইস মিক্স অদুদা ইথাইলিন ওক্সাইদকী চাং য়াম্না য়াওরে হায়খি। ইথাইলিন ওক্সাইদ য়াম্না চাশিল্লবদি মীওইবদা কেন্সর ফোর্ম তৌরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়রি।

এম দি ঐচ অমসুং এভরেজনা শাবা স্পাইস মিক্সশিং অসি ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা য়ুরোপ, এসিয়া অমদি নোর্থ অমেরিকাদা মীয়াম্না পাম্না চানবা স্পাইস অমনি। ফসাইনা কম্পনি অনী অসিনা শাবা প্রদক্টশিং সেম্পল খোমগৎতুনা টেষ্ট তৌনবা খঙহল্লক্লিবা অসি মীয়াম্না চাবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইব্রা নত্রগা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরিব্রা হায়বদু চেক তৌনবনি। কম্পনি অনী অসিনা হৌখিবা মতম খরদা শাখিবা স্পাইস মিক্সশিংদা মচলগী চাং মান্নদবগী কন্টামিনেসন থোক্লকপা অমসুং চাবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়বগী পাউ গ্লোবেল রিগুলেটরশিংনা হায়রকখিবনি।

সিঙ্গাপুরনা স্পাইস মিক্স অসিদা ইথাইলিন ওক্সাইদ য়াওরে হায়রক্লিবসি চেক তৌনবা ফসাইনা অকনবা ওর্দর থোকখিবগা লোয়নননা করিগুম্বা য়াওরল্লবদি লোগী মতুং ইন্না মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি। ইথাইলিন ওক্সাইদ অসি ইন্দিয়াদদি চানবা পোৎলমশিংদা হাপ্পা থীংখ্রবনি।

‘কোভাসিননা সাইট ইফেক্ট থোকহন্দে’

ন্যু দেল্লি, মে ৩ (এজেন্সি) : কুমজা ২০২০ দা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোকখিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিবু থেংননবা পুথোরকখিবা ভেক্সিন ময়ামগী মরক্তা অমা ওইরিবা কোভাসিন অসিনা থ্রোম্বোসিস ৰিথ থ্রোম্বোসাইটোপেনিয়া সিন্দ্রোম (টি টি এস) নত্রগা অতোপ্পা সাইট ইফেক্ট অমত্তা থোকহন্দে হায়না কোভাসিন শারিবা কম্পনি ভারত বাইওটেক্না ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ভেক্সিন শাবা কম্পনিনা অষ্ট্রাজেনেকানা মখোয়না শাবা কোভিসিল্দ ভেক্সিননা টি টি এস থোক্লকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা হায়রকখিবনি। ভারত বাইওটেকনা হায়, কোভাসিনদি মীওইবদা কাপত্রিঙৈদা ইফিকেসি ত্রায়েল নিংথিনা তৌখি। ভেক্সিন অসি শাবা মতমদসু ইফিকেসিগী মথক্তা সেফটিনা হেন্না প্রাইওরিটি থল্লগা শাখিবনি। লাইসেন্স প্রোসেস অমা ওইনা ভেক্সিন অসি মীওই ২৭,০০০ তা কাপ্পুনা ইভাল্যুট তৌখি। লোয়নননা ভেক্সিন অসি ক্লিনিকেল ত্রায়েল মোট চথদুনা লাইসেন্স তৌখিবনি হায়খি।

ইন্দিয়াদা কাপখিবা কোভিদ ভেক্সিন কয়াগী মরক্তা কোভাসিন অসিসু পাক শন্না কাপখিবা ভেক্সিন মখল অমনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা হায়রিবা কোভাসিন অসি কুপ্পা য়েংশিনখিবগা লোয়নননা ফার্মাকোভিজিলেন্স হায়না খঙবনা সেফটি মোনিটরিং তৌদুনা ভেক্সিন অসিগী লাইফ সার্কল কুপ্পা থীজিনখি। মিনিষ্ট্রিনা থীজিনবা অদুদা কোভাসিনগা মরী লৈননা থোকপা য়াবা ব্লদ ক্লোটসকী রিপোর্ট ফংখিদে। কোভিসিল্দগী ওইনদি ব্লদ ক্লোটস থোকপগী রিপোর্ট লৈখি হায়রি।

ইজরেল হামাস লানননা উফুল ওলহল্লবা গাজা নৌনা শেমগৎপদা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৪০ হেন্না চংগদৌরি ঃ য়ুনাইটেদ নেসন্স

ন্যু য়োর্ক, মে ৩ (এজেন্সি) : থা ৭ মপুং ফারবা ইজরেল অমসুং হামাস অনীগী মরক্তা শোক্লরিবা লান অসিনা মরম ওইরগা গাজাদা লৈবা য়ুম, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি অতৈ রিছোর্স কয়া মাঙখিবা অসি লান লোইরগা শেমজিন্নবা হোৎনবদা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৪০ হেন্না চংগনি হায়না ঙসি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চহীগী ওক্তোবর তাং ৭ তা হামাসনা ইজরেলগী টেরিটোরিদা চংশিল্লক্তুনা লান্দারকখ্রবা মতুং ইজরেলগী মিলিটরিনা হন্দুনা লান্দারকপদগী পলেষ্টিনিয়ন টেরিটোরি ওইরিবা গাজাদা লৈরম্বা ইনফ্রাষ্ট্রকচর খুদিংমক উফুলগুম্না লৈমায়দা তাদুনা লৈরি। য়ু এনগী রিপোর্ট অদুদা গাজাদা হৌজিক অতেক অকায় টন মিল্লিয়ন ৩৭ হেন্না শিজিন্নফম খঙদনা লৈরি। মসিগী মনুংদা টন লাক্ষ ৮ লোমদি গাজাগী মীয়াম্না হিংবদা কন্টামিনেন্ট ওইবা য়াবা অজ বেষ্টোসনি হায়রি।

ঙসি ফাওবদা ইজরেলগী মিলিটরিনা গাজাদা লৈরম্বা রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিং চাদা ৭২ হেন্না থুগায়খ্রে। গাজা মীয়াম্না তারিবা অৰা অনা অমদি গাজাদা ওইরিবা অকায় অতোয়গী ফিভম অসি ৱর্ল্দ ৱার টুগী মতুংদা খ্বাইদগী চাউবা থৌদোক অমনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী দিভেলপমেন্ প্রোগ্রামনা গাজাবু অমুক শেমগৎপগী কোষ্ট অসি হান্না য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৩০ হায়না পারম্বদগী বিল্লিয়ন ৪০ লোম হেন্না চংগনি হায়রকখিবনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক গাজাদা ইজরেলগী মিলিটরিনা পোকখায়বা য়াবা বোম অমসুং মাইন্দ কয়া ফুমদুনা থল্লম্বদগী তুংদা পোকখায়রকপা তারবদি য়ু এননা পারিবা রিকনষ্ট্রক্সন কোষ্ট অসি হেনগৎলকখিগনি হায়রি।

গাজা ষ্ট্রিপ্তা হৌজিক ইজরেলগী মিলিটরিনা থল্লম্বা পোকখায়দ্রিবা এক্সপ্লোসিভ টন ৭,৫০০ হেন্না লৈ হায়না থাজনরি। এক্সপ্লোসিভশিং অসি মপুং ফানা লৌথোকপদা চহী ১৪ হেন্না চংগদৌরি। এক্সপ্লোসিভশিং অসি লৌথোকপদা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা মতেং পাংনবা য়ু এন মাইন এক্সন সার্ভিসকী মাইকৈদগী অপিল তৌরকখি।

য়ু এন হ্যুমেনিটরিয়ান এসোসিয়েসনশিংনা হৌজিক গাজাদা অশিবা মীওই ১০ হেন্না লৈনুংদা ফুমদুনা লৈরি হায়না পারি। অশিবা মীওইশিং অসিগী হকচাং লৌথোক্লবা হোৎনবদা চহী অহুম হেন্না চংগদৌরি। চৈরক অসিদা কালেন থাগী অশাবনা হকচাংশিং অসি পুমথহল্লক্তুনা গাজাদা লৈনা-তিলনা শন্দোরকপা য়াবগী চাংৰাংনা লৈ হায়রি।

ব্রাজিলগী অকনবা নোংজুদা মীওই ২৯ শিরে, ৬০ হেন্না থীবা খঙদ্রে

রিও দি জেনৈরো, মে ৩ (এজেন্সি) : সাউথ অমেরিকাদা অকনবা নোং লেপ্পুনা চুরকখিবনা কন্টিনেন্ট অসিগী নোংপোক্তা লৈরিবা ব্রাজিলগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা রিও গ্রান্দে দো সুল ষ্টেটতা মীওই ২৯ শিখ্রে, ৬০ হেনবনা থীবা খঙদনা লৈরি হায়না এজেন্সিগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট লুইস ইনাসিও লুলা দি সিলভানা ষ্টেট অসিদা চৎতুনা অৰা-অনা তারবা মীওই অমদি লোকেল ওথোরিটিশিংগা উন্নদুনা করি থৌরাং পায়খৎপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে হায়রি।

ব্রাজিলগী ষ্টেট সিভিল দিফেন্স এজেন্সিনা ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা অকনবা নোংজু অমদি ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা থল্লবা ঈশিং অমদি ইলেক্ট্রিসিটিগী অৰা অনা তারবা মীয়ামদা য়ৌহনবা ঙমদবদগী খম থেংনা অৰাবা মায়োক্লরে। মতম কুইনা ইলেক্ট্রিক্ট য়ৌহনবা ঙমদবনা ষ্টেট অসিগী কাচিন কোয়াদা লৈরিবা অৰাবা তারবা মীওইশিংগা পাউ ফাওনবসু ঙমদ্রে।

হৌজিক ফাওবদি মীওই লিশীং ১০ হেন্না ময়ুম থাদোক্লগা মাগী মাগী হিংনবা চেন্নখ্রে হায়না এজেন্সিনা ফংবা দটাগী মতুং ইন্না পান্নরি হায়রি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌনা চুরকখিবা নোং অদুনা ষ্টেট অসিগী মফম অয়াম্বা থুমজিনখ্রে হায়রি।

টর্কিনা ইজরেলগা চত্থনবা লল্লোন ইতিক্কী থবক পুম্নমক লেপখ্রে

অনকারা, মে ৩ (এজেন্সি) : ইজরেলগী মিলিটরিনা গাজাদা চত্থরিবা থৌওংশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি ইজরেল লৈঙাক্লা গাজাদা হ্যুমেনিটরিয়ান এইদ কয়া চংনবা হোৎনবদা অথিংবা পীরিবা অসিগী মায়োক্তা ঙসি টর্কিনা ইজরেলগা লল্লোন ইতিক্কী থবক পুম্নমক লেপখ্রে।

ৰাফম অসিগা মরী লৈননা টর্কিগী ত্রেট মিনিষ্টরনা হায়, ইজরেলদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী পোৎ থাদোক্লরোই, মখোয়দগী পোৎ অমত্তসু লৈররোই। টর্কিগী ওফিসিয়েলশিংনা লৌরিবা খোঙথাং অসি ইজরেলনা গাজদা হ্যুমেনিটরিয়ান এক্ট মপুং ফানা চংহন্দ্রি ফাওবা লৌখৎকনি হায়খি।

অমরোমদা টর্কিনা লৌরিবা খোঙথাং অসিনা পলেষ্টাইনগী মীয়ামদা হেন্না অৰা-অনা তাহন্দনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা টর্কিগী ত্রেট মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা চেকশিন ৰা থমখি।

ঙরাংসু কলম্বীয়ানা ইজরেলগী থৌওংবু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা মখোয়গা ইজরেলগগী মরক্তা লৈরম্বা দিপ্লোমেটিক টাইই খুদিংমক তোক্লগনি হায়খ্রে।

[illegible]

[illegible]

রসিয়ানা স্পেসতা মখল অমত্তগী খুৎলাই পুখত্তনবা রিজোলুসন থাঙ্গৎলকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, মে ৩ (এজেন্সি) : য়ু এস অমসুং জপাননা স্পেসতা ন্যুক্লিয়র ৱিপন শিজিন্নদবগী রিজোলুসন থাঙ্গৎলকপদা রসিয়ানা ভেটো পৰার শিজিন্নদুনা য়াখিদ্রবা মতুং ঙসি রসিয়ানা অমুক য়ুনাইটেদ নেসন্সতা মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্না স্পেসতা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ৱিপন থাগৎতুনা থল্লোইদবনি হায়বা রিজোলুসন অমা পুখৎলকখ্রে হায়রি।

রসিয়ানা থাঙ্গৎলকখিবা রিজোলুসন অদুদা লৈবাক ৭ না অয়াবা উৎখি। অতোপ্পা লৈবাক ৭ অমনা রিজোলুসন অদুগী মায়োক্তা লেপখি অদুগা লৈবাক অমনা য়াই নত্রগা য়াদে হায়বগী ভোট পীরকখিদে হায়রি। রিজোলুসন পুখৎখ্রবা মতুংদা য়ু এস কী এম্বেসেদর লিন্দা থোমাসনা মমাংগী ন্যুক্লিয়র ৱিপন স্পেসতা থমদনবা পুখৎখিবা রিজোলুসন অদুদা য়াদ্রগা ঙসিনা করিগী মখল খুদিংমক্কী ৱিপন থল্লোইসি ফোঙদোরক্লিবনো হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্টদা ৰাহং তৌখি।

[illegible] / REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate bearing Registration No. 3702 of 2020 issued by COHSEM on the way from Keishampat Leimajam Leikai to Singjamei Chinga Mathak on 2nd May 2024.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- S. Taibanganba Meitei
Singjamei Chinga Mathak
9856767881

HL-P/10637/04

[illegible] / লান্ন-থৌরম

মালেম তাইবংপান অসিদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিনবীরম্বা লাইশ্রম প্রেম (বোমচা) মীতৈ-না তাইবংপুন্সি চেংজেল লোইরদুনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লগা, হৌখিবা চৈচৎ ২৭।০৪।২০২৪ কুমজা, শজিবুগী ১৮ নি পানবা থাংজ নুমিত্তা তাইবং মপুগী লৈকোন্দা লৈরাং-লৈনম ওইনা তিঙ্খ্রে।

লাক্লিবা চৈচৎ ০১।০৫।২০২৪ কুমজা, শজিবুগী ২২।২৩ নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মঙানি লৈহুন তমজরগা লাক্লিবা চৈচৎ ০৭।০৫।২০২৪ কুমজা শজিবুগী ২৯ নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লান্ন-থৌরম থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী য়াইবি থৰায়না তাইবং মপুগী লৈকোন্দা ইংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক্তা ঙমজবা হৈরাং-লৈরাং খরদং মপুগী মীঙ্খৈ শক শোঞ্জবগা লোয়নননা তাইবং মপুগী খুয়াখাদা কৎচগদৌরি।

থৌরম অসিদা অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মরুপ-মপাং অমদি ইচে-ইচল খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেংবীরক্তুনা মপুগী মীঙ্খৈরোল শক-শোঞ্জববু তাবিরনবা চেনা পাউজেল কৎচরি। চেনা পাউজেল কৎচবগী অরান-অহুই খিবিক ঙাকপীগনি।

থৌরম পরেং : অয়ুক পুং ৮.০০ : মপুগী মীঙ্খৈ শক শোনবা, লান্না-থৌরম অসি অয়ুক্কী পুং ১১.০০ তাবা মতমদা লোইশিঞ্জগনি।

পাউজেঞ্জরিবশিং ঃ-

১। লাইশ্রম মেম্মা লৈমা (অপোকপী)
২। লাইশ্রম নীংঙোল হুইনিংশুবম ওংবী রঞ্জিতা লৈমা (মচে)
৩। লাইশ্রম নীংঙোল য়ুম্নম ওংবী সনজোতা লৈমা (মচে)
৪। লাইশ্রম প্রেমীতা লৈমা (মতৈমা)
৫। লাইশ্রম ননাও লৈমা (লোয়নবী)
৬। লাইশ্রম লনচেনবী চনু (মচানুপী)
৭। লাইশ্রম লমজিংবী চনু (মচানুপী)

১। লাইশ্রম নোরেন্দ্রো মীতৈ (মপা)
২। লাইশ্রম সমরেন্দ্রা মীতৈ (ময়াম্বা)
৩। লাইশ্রম সনামতুম মীতৈ (মচানুপা)

সিনাম মমাং লৈকায়।

ফোন নম্বর : ৮৭৮৭৭৩০১৮

HL-C/253/04

[illegible]

ADMISSION OPEN
FOR

- RHYMES TEACHERS TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY TEACHERS
- SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSE FOR STUDENTS & SENIORS
- WRITTEN ENGLISH COURSE

Please Contact
PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
Nagamapal Laimayum Leirak Imphal
8974642764

HL-B/8682/11,15 to 29_3 to 13 May_Alt.